এম এন সী এ য়ু-১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ মেমোরিএল ট্রোফি

# আর সী এ লিলোং, এম পি এ থৌনাওজম, টি সী এম দি সী থোংজু অমসুং ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস):**

মরিরকশুবা এম এন সী এ য়ু-১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৩-২৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা আর সী এ লিলোংনা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল) লংথবাল, এম পি এ থৌনাওজমনা ট্রাও ক্লাকৈথেল, টি সী এম দি সী থোংজুনা ৱাই য়ু সী সী ক্লাকৈথেল অদুগা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈনা ৱাই পি ঐচ য়ু সী ললাম্বুং মায়থীবা পীখ্রে।





টুর্নামেন্ট অসিগী ২৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদা আর সী এ লিলোং অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী (এল) লংথবাল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা আর সী এনা য়াম্না লাকচনা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)বু ৱিকেট ৯দা থোইখিবনি।

মেটচ অসিগী টোস ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)না ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)না বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুদা জিয়াদ খান অমসুং থৌঙম্বনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। মেটচ অসিগী ওইনা আর সী এগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী বেটসমেন অমত্তনা ক্রিজতা কুইনা লৈদুনা মায়োক য়াবা ঙমখিদে। টিম অসিগী কুমার অমসুং রাহিশনা বোল ৬৩দা রন ১৭ অদুগা বোল ২৮দা রন ১৮ লৌরমখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা রন ১০ য়ৌনা লৌনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ৩২.১দা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ৮৩ খক্তমক লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা আর সী এনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুদা নোংনা মরম ওইরগা ভি জে দি মেথদ শীজিন্নদুনা মেটচ অদু ওভর ৩১দা তেনশিনখিবগা লোয়নননা টার্গেট রন ৭৩ ওইহনখি। আর সী এগী এম দি সফৱান অমসুং এম দি অনুজনা ওপনর বেটসমেন ওইদুনা মায়োক্লরিবা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল) গী বোলরশিংনা লংশিল্লকখিবা বোলশিং হৈন-শিংনা মায়োক য়াদুনা ক্রিজতা মতম শাংনা লৈবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ৯.৩দা টার্গেট রন ৭৩ হেন্দোক্তুনা আর সী এগী ওইনা ৱিকেট ১ তুরগা রন ৭৫ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু আর সী এনা য়াম্না লাকচনা ৱিকেট ৯দা মায় পাকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩০শুবা মেটচ ওইনা এম পি এ থৌনাওজম অমসুং ট্রাও ক্লাকৈথেলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচতা এম পি এনা ট্রাওবু রন ২২দা মায়থীবা পীখ্রে। মেটচ অসিগী টোস এম পি এনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা এম পি এনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা রন য়াম্না লৌনবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমখিদে। ওভর ৩২.৪দা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ৯৮ লৌবা ঙমখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা ট্রাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনসু টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা মায়োক্ল রিবা টিম এম পি এগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেক মপূং ফানা মায়োক য়াবা ঙমখিদবদগী ওভর ৩৪.১দা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ৭৬তগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু এম পি এনা রন ২২দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩১ শুবা মেটচ ওইনা টি সী এম দি সী থোংজু অমসুং ৱাই য়ু সী সী ক্লাকৈথেলগী মরক্তা শান্নখিবা অদুদা টি সী এম দি সীনা ৱাই য়ু সী সীবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীরমখিবনি।

মেটচ অসিগী টোস ৱাই য়ু সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অদুমওইনমক টিম অসিগী বেটসমেন বিদ্যাশ্বরনা বোল ৫৬তা রন ৬৮ অদুগা জেমসবোন্দনা বোল ২৯দা রন ১৬ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা রন ৫ ফানা লৌনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ৩২.২দা ৱাই য়ু সী সীগী ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ১২৮দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে।

অনীশুবা ইন্নিংসতা টি সী এম দি সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুদা নোংনা মরম ওইরগা ভি জে দি মেথদ শীজিন্নদুনা মেটচ অদু ওভর ৩০দা হন্থদুনা টার্গেট রন ১২৪ ওইখি। টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা চাংচৎতা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা ওভর ২২দা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১২৭ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু টি সী এম দি সীনা ৱিকেট ৬তা মায় পাকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩২শুবা অদুগা ঙসিগী অরোইবা ওইনা ৱাই পি ঐচ য়ু সী ললাম্বুং অমসুং ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা ঈ এস য়ুনা ৱাই পি ঐচ য়ু সীবু য়াম্না লাকচনা রন ২২৬তা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অসিগী টোস ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা ঈ এস য়ুনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুদা দোম্বা অমসুং অভিনাশনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। দোম্বানা বোল ৩৬তা রন ১৯ অদুগা অভিনাশনা বোল ৫৫দা রন ৪৬ লৌরমখি। মখোয়গী মতুংদা থোক্লকখিবা ভেনস অমসুং নাওবনা হৈন-শিংনা হোৎনদুনা রন মশীং য়ামহনবা ঙমখি। বোল ৭৫দা ভেনসনা রন ৮৮ অদুগা নাওবনা বোল ৩৮দা রন ৭২ লৌদুনা আউট ওইদনা লৈখি। ওভর ৩৩ মপূং ফাবদা ঈ এস য়ুনা ৱিকেট ২ তুরগা রন ২৭২ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুদা টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা ঈ এস য়ুগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং কুইনা মায়োক য়াদুনা ক্রিজতা লৈবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ১৪.৫দা টিম অসিগী ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা শুপ্পতগী রন ৪৬ খক্তমক লৌখি। মেটচ অদু ঈ এস য়ুনা য়াম্না লায়না রন ২২৬তা মায় পাকপা ঙমখি।

৩শুবা কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল ফুটসাল টুর্নামেন্ট

# জুভেনাইল ক্লব, ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অমসুং পোলোই ফুটবোল ক্লব মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস):**

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবা অহুম্লকশুবা কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা লীগ রাউন্দগী মেটচশিংদা জুভেনাইল ক্লব (জে সী)না কাংচুপ রোদ য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্রিপসা), ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু)না বালানন্দ ফুটবোল একাদেমি (বি এফ এ) অদুগা পোলোই ফুটবোল ক্লব (পি এফ সী)না ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ সী (এম আই য়ু এফ সী)বু মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবদগী হৌরগা জুভেনাইল ক্লব (জে সী) অমসুং ক্রিপসাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা জে সীনা ক্রিপসাবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইখিবনি। মেটচ অসিগী ওইনা জে সীগী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক ক্রিপসাগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরিবা জে সীগী শান্নরোয়শিংদা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবদি পীখিদে। অদুমওইনমক অহানবা হাফ থারমদাই মেটচ অসিগী ২০শুবা মিনটতা জে সীগী মোইরাংথেম নেলসননা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা জে সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা নেলসননা অমুক হন্না মেটচ অদুগী ২২ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা অমুক চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩৭ অমসুং ৪০ শুবা মিনটতা নিংথৌজম সুশিলনা থংন-থংননা পাঞ্জল ২ চনখি। অদুগা ক্রিপসাগী পাঞ্জল অমা অদুনা জে সীগী মোইরাংথেম নেলসননা মেটচ অদুগী ৩৮ শুবা মিনটতা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা চনশিঞ্জখিবনি।

টুর্নামেন্ট অদুগী ১১শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা বালানন্দ ফুটবোল একাদেমি (বি এফ এ) অমসুং ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু)গী মরক্তা শান্নখিবদা ঈ এস য়ুনা য়াম্না লাকচনা বি এফ এবু পাঞ্জল ৯-১দা থোইখ্রে। মেটচ অসিগী ওইনা ঈ এস য়ুগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা য়াম্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা পোলোই ফুটবোল ক্লব (পি এফ সী) অমসুং ময়াং ইম্ফাল য়ুনাইটেদ এফ সী (এম আই য়ু এফ সী) অনীগী মরক্তা শান্নখিবা অদুদা পি এফ সীনা এম আই য়ু এফ সীবু পাঞ্জল ৫-২দা থোইবা ঙমখ্রে। পি এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৭, ৯, ২৪, ৩১ শুবা মিনটতা টিম অদুগী কেপ্টেন এম দি নৱাজ সরিফনা পাঞ্জল ৪ মথংশিংনা চনবা ঙমখি। অদুগা মেটচ অদুগী ১৮শুবা মিনটতা অহন্থেম সোনালিসনা পাঞ্জল অমগা চনখিবনি। এম আই য়ু এফ সীগী পাঞ্জল অনী অদুনা মেটচ অদুগী ৩৯ অমসুং ৪০ শুবা মিনটতা তাওরেম জেক মৈতৈনা চনখিবনি।

এ প্রতাপ সিংহ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# ময়াই লম্বী কোলেজনা মণিপুর কোলেজ থোইখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস):**

থা অসিগী ২০দগী হৌরগা খুন্দ্রাকপমদা লৈবা নাওরেম বিরহরি কোলেজনা য়ূম্বু ওইদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মীৎয়েং মখাদা হৌদোকখিবা এ প্রতাপ সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ময়াই লম্বী কোলেজনা মণিপুর কোলেজপু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা মঙ্গোলঙানবী কোলেজনা পেনাল্টিদা এন জি কোলেজপু মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেটচ ওইনা এন বি কোলেজ খুন্দ্রাকপমগী প্লেগ্রাউন্দদা মঙ্গোলঙানবী কোলেজ অমসুং এন জি কোলেজগী মরক্তা শান্নখিবা অদুদা টিম অনীমক্না মেটচ অদুগী অরোইবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী দ্রোদা লৈখি। অদুমওইনমক মখা তানা পেনাল্টি শুট আউট তৌনখিবা অদুদা মঙ্গোলঙানবী কোলেজনা এন জি কোলেজপু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেটচ ওইনা ময়াই লম্বী কোলেজ অমসুং মণিপুর কোলেজগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা ময়াই লম্বী কোলেজনা মণিপুর কোলেজপু লাকচনা পাঞ্জল ৪-০দা লাকচনা মায়থীবা পীখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ময়াই লম্বী কোলেজগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ময়াই লম্বী কোলেজনা পাঞ্জল ২ মাংজিল থানা লৈবা ঙমখি। পাঞ্জল অনী অদু টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৭ নাওরেম লনচেনবা অমসুং জর্সি নম্বর ৬ লোংজম থোমাসনা মেটচ অদুগী ১৭ অমসুং ৩২ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা জর্সি নম্বর ১০ নামৈরাকপম রোনাল্ডো অমসুং জর্সি নম্বর ৩ থৌদাম রিশিনা মেটচ অদুগী ৩৭ অমসুং ৭০ শুবা মিনটতা মখা তানা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক মণিপুর কোলেজগী ওইনদি মেটচকী অরোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ময়াই লম্বী কোলেজনা ৪-০দা মায় পাকখিবনি।

# নেসনল গেমসতা শরুক য়াগদবা শুটরশিং অমসুং ওফিসলশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস):**

গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৭শুবা নেসনল গেমসকী শরুক অমা ওইনা মথং থাগী ২দগী হৌরগা ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা শুটিং ইভেন্টতা মণিপুর টিমগী মহুৎ শিন্দুনা চৎকদবা শান্নরোয়শিং অমসুং ওফিসলশিংগী মমিং মণিপুর রাইফল এসোসিএসননা লাউথোকখ্রে।

মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম রাচন্দ্রনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা শুটরশিংদি ১০ মিটর রাইফল মেন ইন্দিভিজ্যুএল, ৱিমেন ইন্দিভিজ্যুএল অমসুং মিক্স টিমদা আরিয়ামন লাইরেঞ্জম অমসুং আর কে মমতা; ১০ মিটর পিষ্টোল মেন ইন্দিভিজ্যুএল, ৱিমেন ইন্দিভিজ্যুএল অমসুং মিক্স টিমদা কুনিসন তোনাম্বম অমসুং সিলভিয়া লৌক্রাকপমনি। অদুগা ৫০ মিটর রাইফল ৩-পোজিসন মেন অমসুং ৱিমেনগী ওইনা সেরাম বিনোই অমসুং নোংথোম্বম ইন্দ্রাশিনীনি। অদুগা ওফিসল ওইনা খনখ্রবশিং অদুনা টিম মেনেজরদা অমকচম ওলেন মৈতৈ, চীফ কোচতা লৈশাংথেম তোম্বা অদুগা কোচতনা ককচীংতাবম টিজেননি হায়না মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী চেরোল অসিনা হায়রি।

[illegible]

# এ আরনা ফুটবোলর অর্জুনবু তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস):**

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এস এ এফ এফ (সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন) অন্দর-১৯ ফুটবোল কপ ২০২৩দা মায় পাক্লকখ্রবা ইন্দিয়া টিমগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মোইরাংদগী অর্জুনবু ঙরাং আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসনা তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

সেন্দ্রাদা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া টিম অদুদা মণিপুরদগী অর্জুন খক্তা নৎতনা মাংলেনথেং কিপজেন, থুমসোল তোন্সিং, সুরজ কুমার ঙাংবম, রিক্কি মীতৈ, লিনকি মৈতৈ চবুংবম, কেলভিন নাওরেম, নাওবা মৈতৈ অমসুং দিনেশ সৌবামসু য়াওরি। হায়রিবা শান্নরোয়শিং অসিনা মণিপুরখক্কী নৎতনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অসি চাওথোকচনিংঙাইনি। হৌগৎলক্লিবা নহা কয়াদা মায় পাক্লবা শান্নরোয়শিং অসিনা অনৌবা ঈনোৎ অমা পীদুনা অরানবা লম্বীদা চৎপগী মহুৎতা শান্নবগী লম্বীদা পূক্নিং চিংশিন্নবা অচৌবা লম্বী অমা ওইরি। মতুং তারকপদা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংনা হেন্না কন্না হোৎনদুনা মণিপুরগী অমদি লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না এ আরগী চেরোল অমনা হায়রি।

# মণিপুরগী মোইরাংথেম কবিরাজনা কজাখষ্টানগী সটায়েভ থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস):**

কজাখষ্টাননা য়ূম্বু ওইদুনা চথরিবা এ এস বি সী এসিয়ন জুনিয়র বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৩দা কেজি ৬৩গী কেটগোরিদা ঙসি ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী মোইরাংথেম কবিরাজনা য়ূম্বু কজাখষ্টানগী সটায়েভ টাগিরবু প্রিলিমিনরি রাউন্দদা ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি মোইরাংথেম কবিরাজ অমসুং সটায়েভ টাগিরগী মরক্তা থিন্নখিবা অদুগী ওইনা অহানবা অমসুং অনীশুবা বাউট সটায়েভনা ২৯-২৮, ২৯-২৮দা থোইখি। অদুমওইনমক মখা তানা শান্নখিবা অতোপ্পা বাউট অহুমদা কবিরাজনা সটায়েভপু থংন-থংননা ২৯-২৮, ২৯-২৮, ২৯-২৮দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

থা অসিগী ২৭তা কবিরাজনা কিৰ্গিষ্টানগী অর্বাজ অখমাদিগা লম্বা তৌনরগনি। পনবা য়াবদি, কবিরাজগা



ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়োক য়াগদৌরিবা অর্বাজ অখমাদি মহাক্কী লম্বা লাক্তুবদগী বাইদা কারকখিবনি।

# এম এফ এগী ওফিসল ৬ রেফরি ওইনা খল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচ এন এস):**


ফেন্সিং এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এফ এ আই)না গোৱাদা থা অসিগী ২৬তগী হৌরগা ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল গেমসতা ফেন্সিং মশান্নগী ওইনা রেফরিশিং খনগৎপদা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসন (এম এফ এ)গী ওফিসল ৬ য়াওরে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি এম কুমারনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না রেফরি ওইনা খল্লকখ্রবা এম এফ এগী ওফিসলশিং অদুদি সগোলশেম জয়েন্ত, লাঙ্গোলজম সুর্জিৎ, থৌনাওজম রাজেশ্বর, আর কে রেবিকা, থিঙুজম দাইনা অমসুং হজারিময়ুম হরিপ্রিয়ানি। মখোয় তরুকপু ফেন্সিং এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা নেসনল গেমসকী রেফরি ওইনবগীদমক খল্লকখিবা অদুবু মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী হরাউ তয়াম্বা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকই হায়রি।




HL-B/8291/31,1-30/9


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 945**

**Felix Jose Ynojosa (2374) - Alexandre Dgebuadze (2563)**

**30th Andorra Open Erts-La Massana AND, 2012.07.24**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.exd5 exd5 | 4.Nf3 Nc6 | 5.c4 Bb4+ |
| 6.Nc3 Nge7 | 7.Be2 dxc4 | 8.O-O O-O | 9.Bxc4 Bg4 | 10.Be2 Bd6 |
| 11.Bg5 h6 | 12.Bxe7 Qxe7 | 13.d5 Ne5 | 14.Nxe5 Qxe5 | 15.g3 Bxe2 |
| 16.Qxe2 Qxe2 | 17.Nxe2 Be5 | 18.f4 Bxb2 | 19.Rab1 Ba3 | 20.Rxb7 Rfe8 |
| 21.Nc3 Bc5+ | 22.Kg2 Bb6 | 23.Rd1 Rad8 | 24.Nb5 Re2+ | 25.Kh3 c6 |
| 26.Nxa7 Bxa7 | 27.Rxa7 cxd5 | 28.Ra4 Rc8 | 29.Rxd5 Rcc2 | 30.Ra7 Rxh2+ |
| 31.Kg4 Rc3 | 32.Rd8+ Kh7 | 33.Rxf7 Kg6 | 34.Rf5 Rxa2 | 35.Rd6+ Kh7 |
| 36.Rh5 Raa3 | 37.Rh3 Re3 | 38.Rb6 Red3 | 39.Rc6 Rd7 | 40.Rh1 g6 |
| 41.Rg1 h5+ | 42.Kh4 Rd2 | 43.Rh1 Rg2 | 44.Rh3 Kh6 | 45.Rc4... |

**QUESTION :**

**Black to checkmate**

**Puzzle 944 Solution :**

**40. ...Rg1+ 41.Kxg1 exf2+ 42.Kg2 f1=Q+ 43.Kxf1 Qxf3+ 44.Kg1 Qf2+ 45.Kh1 Qf1#**

**0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com